ৱারী মচা

রিং রোডতা খোইনীং

ৱাজেন খুমুকচম

খোইনীং মোমোল মোমোল তৌই। মায়থোঙদু মকা য়াম্না লাম্মী। অশ্বাইফাওবদং চৎথোকপদা মাগী লৈজবা ফি–রোলশিং হোং–হোংদুনা তনাল–তনাল চৎথোকই। যুমদা হল্লক্লগসু মোন্দা নুংঙাইনা ঈশৈ ঙংদুনা লৈ। চে কলম পায়দ্রগসু মাগী মকোক্তা হিসাব হোৎপা লেপ্তে, প্লান তৌবা তোক্তে। অমুকসু মথন্ত নোকই। নোকপা লোইরকপদা নাক–য়েত্তা লৈদুনা য়েংলুবদা কনামৎতা লৈরমদ্রবদা অমুকসু নোকচৈ।

ইহে, ঐদি ইকাউবু কাউই। ঐনা খোইনীং খোইনীং হায়না হায়রিবসি অদোমদি ইঙাও–ঙাওরম্লগনি। খোইনীং হায়রিবসি অতৈ কনাসু নত্তে, উচেক খোইনীংদুসু নত্তে। মীয়াম চল্লবা নুপা অমগী মমিংনি। মহাক্কী মরমদা খজিক্তং হায়গেকো।

খোইনীং হায়বসি মপুক–মপাউ য়াম্না ফবা, শুবা–নোম্বদি কঞ্জবা, ইং তপচবা অদুগা ৱাখলদি য়াম্না চাউনা য়াংনা য়াংনা খঞ্জবা মীদা অমনি। মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈদা ময়াং কংদুনা মশা য়াম্না পারগা মরেপ্না ঙমতক তৌই। মশমদুসু ইঙাং ঙাংলদনা চপ–চপ হেক যুংলদুনা খোইনীংগী মত্রোক মাল্লি হায়দুনা লৈকাইগী লেঙ্গাশিংনা মাবু লক্কবোই করিবোই অসুম হায়নরম্বদগী মাগী মমিং অশেংবা ইবোচাউবা হায়বদু কাউনখিবগুম, খোইনীং হায়রগা অদুম খঙনখ্রে। অহানবদদি খোইনীং হায়বসি মহাক্কী মশাওবী ওইরম্বনি অদুবু হৌজিক্তি মহাকসু হৈনখিদুনা শাওখিদ্রে। খোইনীং কৌবদা অদুম য়াখ্রে। লৈকাইগী বার্ত্তোন তৌবদফাওবা খোইনীং হায়না ইরকপা য়াওরে। মাসু অদুম নোক্লগা লৌরে।

মতম্না পুরকপনি, নোংমা খোইনীংনা অয়ুক্তা পাউ–চে অসুম পারুবদা নুংঙাইরবা পাউ অমা য়াওরম্মী। মদুগীনি মানা মোমোল নোক্লিবসি। পাউদুদি ইম্ফাললোমদগী লাক্লগা খোঙনাং অনী কারক লান্দুনা অসুম চৎপনা ষণঙাকফম, মন্ত্রিপুখ্রি, খাবম লমখায়, লুৱাংশঙবম, কোইরেঙ্গৈ লাল্লগা কোঙহাম্পাৎ লাল্লগা ফৈদিংগা য়ৌবা। অদুদগী মাওরোমদগী ইম্ফাললোমদা লাক্লগনা মরাম, টদুবী, লাইরৌ, সেনাপতি, কারোং, কাংপোকগী, কৈথেলমানবী, (মণিপুরগী মফম মরিদা লৈ) মোটবুং, কংলাতোংবী, সেকমাই লাল্লগা লৈমখোং তুরেল মথক্তা শাবা থোং অমা লাল্লগা ফৈদিংগা য়ৌবা। মদুদগীদি লৈমখোং তুরেলনা ইম্ফাল তুরেলদা ঈতিনখিবা। মফমসিদগী ওইরোমদা চৎলগনা ইম্ফাল তাখিবা, য়েৎতা চৎলগনা খুরখুল অমদি লৈমখোং য়ৌখিবা, ময়ায়দা চৎলগনা লোইতাং খুনৌ লৈরে। মফমসিদা স্পাইনিং মিলনি হায়দুনা অচৌবা কম্পনি অমসু লৈরম্মী। মদুসু পোকপদগী ষণশাবা কাবক কাবক হৈরকপা মতমদুদা মপোকথা লাল্লবফাওবা লেপ্তে লেপ্তে হায়রগা পোলিওনা নাবা ওইরমদুনা চৎপা অদুম ঙমখিদ্রে। হৌজিক্তি লৈবু লৈখিদ্রে মোংফমদা ঙাইহৌরে। অশিৱাইদনি খোইনীংনা লৈরিবসি। অদুগা পাউসিসু অশিৱাইদগীনি।

ফৈদিংগাসিদগী ফৈনা কাপশিনখ্রগা ময়াংলাংজিং, ফুমলৌ লান্দুনা লমশাং তাদুনা তাওথোং লাল্লগা উরিপোক কাংচুপ লম্বীবু তুবৎ নাতৈ শল্লগা মমিংত ঙাইরবা মকোই চীংগোল ফাওরগা শগোলবন্দ নিউ কাছার রোড ফংলগা অমুক হায়ৱে অসিবু লাল্লগা হৈনৌবোক্তা (হৈনৌবোক হায়বসি ওইনামগী ঈশিংচাইবীগী লম্বীদসু অমা লৈকো) হাইজিল্লগা ঘরী লৌকোল হায়বদি ইস্কোন মন্দিরগী মনীং থংবরোমদা পাওদোরক্তুনা দিডিম লম্বী ফংবা মদুদগী মথং–মথং য়াম্না নীংথিনা পাক চাউনা রিং রোড অমা লৈবাক মীয়ামগীদমক য়াইফনবা ইম্ফাল ময়োললমদা চিল্লিবসি খরদংদ ওইরবসু শাফনবা লম্বী শেন্নগনি অসিনি। পাউসিদনী খোইনীংনা থৱায় তানা মোমোল মোমোল নোকখিবা।

নুমিৎ খরনিগী মতুংদা লৈকাইদুগী ইনাক খুনবা শেঞ্জাও পায়বা তোমালগী মনাক্তা খোইনীং লাকই। ৱাখল য়াম্না চাওনা মোন্দা নুংঙাইনা নীংজবা অমগা লোয়ননা লাকখিবনি। মানা লাকপা উবদা তোমালনা হায়রকই।

“ইবুংঙো নঙবু করি থবক্কী লাকপনো, কুইরেদা ইচাদি উখিদবা নুংঙাইরিদনা?”

“খুরা নচা নুংঙাইজরি, কুইরে খুরাগা উন্নদবা হায়দুনা সুম লাকচরিবনি নচাসু।”

“লাও লাও মাঙ্গোলদা কাখৎলু ফঙ্গো লাও, করি তান্নসেবা, ইচাবু নখুরাদা করি হায়নীংবা?”

খোইনীং হায়গে খন্না লাকপা ৱাখলদো পাক হায়দোকপা ঙমদে, ৱাহৌদোক ওইনা ইখোলগী মনা–মশিং, য়েঞ্জাং–নাপীশিংদু য়েংলগা মদোমরোমদা ওইনা ৱারী শাদুনা লৈরে। মমৈথংদা শানিংঙাই ৱারী লৈরকত্রদুনা হায়দবা য়াদবা মতাংদু লাক্লদুনা হায়রকই। “খুরাদা নৎত্রদি হায়ফম লৈতে খন্দুনা খুরাগী নাক্তা হেক্তা লাক্লবনি। খুরাগীদি শঙ্গ–পঙ্গ য়াম্বনিনা ৱাখল থোক্কনি।”

“করিনিনা খোইনীং?”

“ঐবু হেক্ত হায়রদরনে।”

“হায়য়ুনে হায়য়ুনে হেক্তা, করিগী কোইরিবনোনে নঙবু?”

“সুমদৌবনি খুরা, ঐগী ঐনা হৌজিক লৈনরিবা ইখোলসে বন্ধোপ ওইরসু নৎত্রগা য়োনবা ওইরসু খুরানা লৌবিদবা য়াদ্রে।”

তোমালনা হৌদোরক্লিবা ৱাফমদু তারবদা –

“নঙবু করি অচিনবা লৈরগে, লায়েং খোৎয়েংগদবগা য়াওবরনে খোইনীং?”

খোইনীংনা য়াম্না তপ্না–

“য়াওজদে খুরা, অচিনবা অমা লৈদুনা তঙাই–ফদবদগী হায়রবনি।”

“নঙগীদুবু লেপ্পবরনে খোইনীং? অদুগা নঙনা কদায়দা লৈবা?”

“লেপ্লে খুরা, খনবা য়াবা খল্লবা মতুংদা খুরাদা ওইনা হেক্তা ঙংলুরগে হায়দুনা লাক্লবনি।”

অসুম্না ৱারী–ৱাতাই, চে–চাং, শেল–থুম থীনবা পূম্নমক লোয়রদুনা খোইনীংগী ইখোল তোমালনা লৌখ্রে। তোমালদি মান লেপশিনবনি মফম চাই চাদে থোইনা খন্দে অদুগা থিসু থিবিদে। মমলসু লৌনীংদনা লৌবা অহা পোৎলৌনিদনা।

খোইনীং থীনরবা শেনফমদু পায়রগা রিং–রোড লাক্কদবা মনাক্তা লৈবা লৌফম অমা য়াম্না তাঙনা পীফম থোকপা মমলদগী হেনগৎনা পীশিন্দুনা লৈরে। মহাক ৱাখল নুংঙাইরে প্লান কয়া শাগৎপা লোইরে, অঙক–অঙকপা মঙলান কয়া মঙবা হৌরে। লৌফমদুদা লৌ উবা তোকথোক্তুনা যুম মচা অমা পাকখন ওইনা শাদুনা লৈবা হৌরে। যুমদু পাকখন ওইজরবসু অকোয়বদুদা লৈ–শু ময়াম অমা মফম চানা চানা থাদুনা লৈতেংবা য়াবা লৈতেংবা হৌরে। অউবা অয়েংবশিংনা ফজৈ শোন্নরে, কল্লক্লবা হৌরে।

মতম খরা লৈরগা সরকারগী ৱারেপ হোংলে রিং রোডকী মফমসু হোংলে হায়না পাউচেদা পাউ অমা অমুক য়ালরকপা উরে। তশেংবদি হোংলমদবা য়াবা লম্বীদু ওইনবা লম ওল্লকপা মতমদা কনাগী ও সি চাওথোইগী লৌ, ডি আই জি থেক্কোইস্নাগী লৌ, মন্ত্রি তোমপীশক্কী লৌয়াম অমা য়াওরকপদুদা খঙদ্রিঙৈনা খঙদ্রিঙৈনি খঙলক্লবদুদদি কৌবা য়াবা মরী লৈনবা মীওইশিং কৌরগা মচিন মেনশিন্দুনা মখুৎ পুনশিন্দুনা খুদক্তা মফম হোংলকখিবনি।

মতমদুদা খোইনীংনা খল্লি। সরকারগী থবক হায়বসিদি করিসু খঙজবদা চম্না খরা শুজ–নোমজরগা নোংঙানবা নুমিৎ তাবা ঙাইনা হিংজবা মীয়ামগী ফনবতা শিল্লকপনি, অদুদা থোইনা ৱারৌরুনীংঙাই ওইদে। অদুবু মহাক থাজদনা হোংলকখিবা সরকারগী ৱারেপতুদা নীংবা কায়দবদি নত্তে।

উপায় লৈতে, শাগৎলুবা মঙলান কায়রদুনা অমুকসু মখুরা তোমালগী মনাক্তা লাক্লে। হান্নগুম ৱারী–ৱাতাই শান্নদুনা মহাক্কী অনীশুবা লৌফমদুসু তোমালদা হোঙনা হাদুনা অমুক্কসু য়োনশিল্লে।

হোঙনা মন্থিদনা য়োম্থোকখিবা মাগী লৌফমগী শেনফমদু পায়রগা ৱাখল অমুক তৌরকই।

রিং রোডনা মনাক নক্লা তারক্কদবা হেক শাইজিন ময়া ওইগদবা কনা–কনাগী লৌফম লৈ হায়দুনা কোয়থি থিবা হৌরক্লে। হংবা য়াবা হংলবদা মপু মশক খঙলদুনা হায়জবা য়াবা হায়জরে। য়োল্লোই য়োল্লোই ঙাক্তা হায়রক্লে। খোইনীং নীংবা কায়গে কায়গে তৌই। কাইনথংদা মাগুম্বা অমা থেংনদুনা উচিন নাচিন্না লৈবা য়োনবা য়ানরে। লৈরে মচেৎ অমা। মফমদুদা অমুক মাগী যুম ওইনবা ২০–বাই৩০গী পাকখন অমা শারে। হান্নগুম যুমগী মমাঙদা শম্বলগী অকোয়বদা লৈ–শু থাবা হৌরে। ফজরে নীংথিজরে। য়েংবা নুংঙাইরে। মচু–মচুগী লৈনা পুমথল থল্লে। খোঙগং খুৎকংবা মতমদুদদি লবুক ময়ায়নি কনানা হায়বা ঙল্লগনি!

নোংজুথা লাক্লে। লৌরী পূম্নমক হানৌনা পুমশং শংখ্রে। লৌকোন্দুনা লৌপু খুদিংমক মাগী মাগী লৌফমদা কনানা ট্রেক্টর, কনানা পৱার টিল্লর, কনানা ষণপোৎ পুথনরক্তুনা শিৎ নান্না খোইদোক্লখ্রে। খোইনীংদি লৌরক্তুদা লৌ উদে, যুম ওইনা শাই। হৌজিক ফাওবদি রিং রোড ককপা শেন্বা হৌরক্ত্রি। খোইনীং মীগী লৌরীদা চৎতুনা মাগী যুম য়ৌবা লম্বী ওইবা তাই। মদুসু লৌরী অনৌবা শাগৎনরকপা মতমদদি নেৎলু–লাক্লুবকা য়াপোনতে। মদুদা নেৎলুরবদি মহাক মীৱা–মৈশা তাবা তাবনি, তান চাদ্রগা চৈ ফাওবা চারকপসু য়ারিপোৎনি।

খোইনীং নোংজুথাগী ৱাখল কাউথোক্লুই। লৌরীদা চোং–চোংদুনা লাল্লগা ফৈদিংগদা থোরকই। হোটেল অমদা চঙদুনা রিং রোড কৈদৌঙৈ ককপা শেন্বা থোনবা হৌগনি খবরদু কোয়ফাক ফাক্তুনা পাউ য়াওবরা য়েংলি।

তাবুনুংদগী

(কবিরত্ন হিজম অঙাংহন্না ইবা ‘‘ইনৌ চাবা’’ হায়বা শৈরেং অসি ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)

ইনৌ চাবা

মথোন কাবা ইনৌ চাগে,
হুপনৌ লক্তা কারকইবা!
লৈগ্লে ওইবা অপংবনি।।
সমুদ্রগী লাইজ’দুনা,
মালেম থক্তা তারবনি,
কোরৌ থক্তা পাইখত্তুনা,
তিনখ্রিবনি সমুদ্রদা!!

ঙাইহাক্তগী ইচেন্নি,
ইচেনদুগী মরুদি,
নতুংলোমদা লৈহৌরে,
কাখ্রগনু হন্থরো,
অতোংবদা পন্থেংগনি
য়াইবী শোইদ’মাঙগনি।।

হিজম অঙাংহল

মণিপুরী পান্থৈ পাওরৌ পাওতাক

১২ **অওৎ–অপা শাদুনা হৈথোই শিম্থোই থাক্কনু।**
– হৈদি হৈতনা অহৈবা শাবা।

১৩ **অঙাং নিংঙাই ফত্তবনা ঙম্মোক য়াম্না চায়।**
– চক্রি চাউবনা হেন্না কান্নবা ফঙই।

১৪ **অঙাংগা অপঙবগা অচুম্বা ঙাঙই।**
– অফবা ফত্তবা খঙজদবা মীনা অশেংবা অচুম্বা ঙাঙথোকপা।

১৫ **অঙাংগী কোক**
– না–পু তাদবা, লৌশিং লৈত্রিবা ।

১৬ **অঙাং পেতৱা**
–করেম্নবদা শীজিন্নবা ৱাঙাঙ।

১৭ **অঙাং অমা শেম্বদি লৈবাক অমা শেম্বনি।**
– অঙাংবু ফননা, মী ওইনবা শেম্বা হায়বসি অরায়বা থবক নত্তে, মখোয়না ফরগা লৈবাক চাওখৎকদবনি।

খোমজিনবা
ডা. লৈশাংথেম তোনদোন

লাইরিক্কী উনবা

লাইরিক্কী মমিংঃ মসিনা ঐগী অরোইবা ৱানি
অইবা ঃ কাংজম পদ্মকুমার সিংহ
ফোঙবা ঃ কে পব্লিকেসন্স
মমল ঃ লূপা ৪০ /–

কবি কাংজম পদ্মকুমারনা ইবা ‘মসিনা ঐগী অরোইবা ৱানি’ হায়বা শৈরেং ৩৮ য়াওবা শৈরেং লাইরিক অসি লামায় ১১০ পাল্লি, মমলনা লুপা ৪০ পীবা লাইরিকসি কে পব্লিকেসন্স, ইম্ফালনা অহানবা ওইনা খৃষ্টকী কুম ১৯৯২ দা কপি মশীং ৫০০ খক চীং–তম প্রেস, উরিপোক, ইম্ফালদা নম্লগা ফোঙবনি। মখুমগী লাইনা সাপম শাফবনা য়েকপনি। কবিগী শৈরেংশিংদা থেংনরিবা মপুং ওইবা হীরমশিংদি হৌখিবা অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সিবু নুংশিজবা,হৌখিবগী নীংশিংবগী লম্লোংদা তোয়না লেপ্তুনা মীওইববু নুংশিজবা ফোঙদোকপা, লায়রবা মীচম মীয়ামগী পুন্সিবু নুংশিজবা ফোঙদোকপা, লায়রবা ইনাক–কৈরাক খুনবা খাইদোক্তুনা সনাক খুনবশিংনা লায়রবশিং হন্থবা য়েংবা নৎত্রগা তুহৎপিবা মতৌবু য়ানীংদবগা লোয়ননা মীওইবা পুন্বা অমত্তনি ফোঙদোকপা, হিংনবা হোৎনবদা মীওইবনা মশাগী শাদোং ফাওবা য়োল্লকপা, নাইতোম তারকপগী নুংঙাইতবা উৎপা, মীওইবগী লমচৎনা লৈখা তারক পদা নুংঙাইতবা মীওইবদা মীওইবগী মগুন মাঙখিবগী তেংথাবা, লুচিংবশিংগী মথোঙ হুত্তবা থৌদৌবু য়ানীংদবা ফোঙদোকপা, করপসন অমদি বন্দ ব্লোকেদনা সমাজসিদা পীরিবা চৈনা–চৈথেংবু উৎপা, শিবগী ৱাখলনা লাং শানা কবিগী পূক্নিং ৱাখলদা তম্নরকপা, লোয়ন তিন্নরিবা ময়ামগা কায়নদুনা নোংমা মালেমসিবু থাদোক্তুনা চৎকনি খনবদা কবিগী মপূক্নিংদা নুংঙাইতবা ফাওবনি। কবিনা মীওইবা অমদি মলেমসিবু নুংশিজৈ। মতম পুন্বা মখোয়গা লোয়নদুনা, শাগোন্নদুনা লৈজনীংই। অমুকসু ওল্লক্লিবা মতমগী য়াওলদা মপান্থোংগী ওইনা শেমগৎ–শাগৎপদা মনুং ওইবা মীৎয়েং থমখিবদগী মীওইবদা য়াওরিবা লাইরমচৎকী মঙল অদু মাঙখিবদগী মীসি মী মাল্লক্তবগুম্বা মপুক্নিংদা ফাওরকই। অদুনা মী হাহয়বসি মী হায়বদুগী মমিং ৱায়রগা হিংবা মীদি নত্তবা জীব অমা ওইরকপগী নুংঙাইতবা ফোঙদোকই।

মসিমক মোর্দন পেরিয়দকী অইবশিংগী পুক্নিংদা ফাওবা মপুং ওইবা তেন্দেন্সি অমনি। মী পুন্বা মশাগীতা য়েংনরকপদা অতোপ্পগী করিসু খন্নরত্তঃবা মতৌবু কবিনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকই।

কবিনা শৈরেং ইরকপদা ইংরেজিগী অইবশিংগী মেমরেবল লাইনশিংবু কোটেসন লৌরগা শৈরেংশিংগী অহৌবদা হাপ্পসি মহাক্কী শৈরেংদা তোয়না তৌই। মোর্দন পেরিয়দকী কবি খরদি কোটেসনশিং অহৌবদা হাপ্পসি মখোয়গী খুৎইদা ষ্টাইল অমা ওইনা তৌই। ষ্টাইল অসি পামজনা শীজিন্নরম্বা কবি অমগী মমিং পনবা তারবদি এলাংবম নীলকন্তনি। মহাক্কী অহানবা শৈরেংগী লাইরিক ‘চৎলসিনে কদায়দনো ইবানী’ শৈরেং লাইরিক্তা উবা ফংই। কবি কদ্মাকুমারগী শৈরেং লাইরিকসিদা পামজনা লৌখৎলিবা কোটেসনশিংদি – T S Eliot .. 'Thek Fire Ser mon দগী Burning in burning burning burning; 'William Shakespeare গী "I surmmon up rememberance of things past; David Garcone গী " Only the poem. I can never write is term.; Anoucmens দগী "In the eyes of the public one is never onself." অসিনি। লৌরিবা কোটেসনশিং পরেং খরা হেক্তঃ থমজিনবা নত্তে, ইরিবা শৈরেংদুগা মরী অমা থম্নবা হোৎনরিবনি। কোটেসন লৌদুনা হাপ্পসিনা কবিগী ষ্টাইল ওইহনবতা নত্তনা কবিগী স্কোলারসিপ অদুসু উৎনবা হোৎনৈ। শৈরেংশিংসি পারকপদা হৌজিক্কী মতমদা পঙনা শীজিন্নদ্রবা প্রমান–পান্থৈ লোনদা –পুদা হাপচিন্দুনা তারিবা লোনগী ফজবা অদুবু উহন্নবা হোৎনৈ। তৌবতবু ফোক অমদি আর্কাইফ ৱাহৈশিংসি শীজিন্নরকপদা চৎনবী ওইনা হায়নরকপা ৱাহৈদগী লাপথোকহনবা খরা য়াওরিবসিনা নুংঙাইতবা ফাওহল্লি। কবিগী শৈরেং পারকপদা খ্বাইদগী নুংঙাইতবা অমদি এডিটিং তৌদবসিনি। কবিগী “সন্ধ্যাগী ঈশৈদা” য়াওখ্রবা য়াওখ্রবা ‘ইম্ফাল’ অমদি ‘ঐনা শিরগা নীংশিংবীগনু ’’ হায়বা শৈরেং অনীসি মসিনা ঐগী অরোইবা ৱানি’দা হন্না হাপচিল্লকপসিনা সেন্সরিটিগী কোইসন অমা মায়োক্লহনগনি

আর জে মীতৈ

চয়োলসিদা সাহিত্যগী পাউ

ফেব্রুৱারি ২১, ২০১৬

চীংঙু শিম্থা অনীশুবা হায়না মিংথোনবা সোইবম গুনিন্দ্রো মৈতৈনা ইবা লাইরিক অমা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিগী এম এল এ থোংঙাম বিশ্বরজিৎনা চীফ গেষ্ট, এস সি ই আর টি গী টেক্স বুক ওফিসার ডা. নলিনি মঙশাতাবম্না গেষ্ট ওফ ওর্নর অমসুং হিজম ধনঞ্জয়না থৌরম মপু ওইদুনা হৌনবী মতুংইন্না ফোংখি।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা ডা. শরতচন্দ্র লোঙজোম্বা এসোসিয়েট প্রো. দি এম কলেজ ওফ আর্টসনা লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাংখি। চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এম এল এ বিশ্বজিৎনা হায়খি –ফোঙলিবা লাইরিক অসি মৈতৈশিংগী লৈজরক্লবা চৎন লোন, নুপী –নুপাশিংগী থৌদাং কয়ামরুম য়াওরবা মরুওইবা লাইরিক অমনি। মসিগীসু মথক্তা পুৱারীগী ওইবা ঐখোয়না খঙহৌদ্রবা ৱারী কয়াগা লোয়ননা লোন কয়াসু য়াওরি।

তুংদা হৌরক্কদৌরিবা মীরোলশিংদা অমদি ঙসিগী নহারোলশিংনা লাইরিক অসি পারগা পুক্নিং লৌশিং শোয়দনা হেনগৎহনবা ঙমগনি। ঐখোয়গী লাইনিংদা ওইরবসু লোন্দা ওইরবসু মতৌ তম্বা ঙল্লবদি খুন্নাই অসি হেন্না মশক থোকপা অমা ওইগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ফেব্রুৱারি ২১, ২০১৬

মণিপুরদসু মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লবগুম ইন্টরনেস্নেল মাদর লেঙ্গোইজ দে পালন তোঙান–তোঙানবা লূপ কয়ানা অমদি দিরেক্টোরেট ওফ লেঙ্গোইজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসননচিংবনা শীন্দুনা তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা মমালোন নুমিৎ পালন পাঙথোকখি।

সাহিত্য থৌপাঙ লূপ্না শীনবা থৌরম অমদা ওল ইন্দিয়া রেডিও, ইম্ফাল ষ্টেসনগী দিরেক্তর এম কাননকুমার (আই বি পি এস) না চীফ গেষ্ট, ওল মরিপুর মতম ঈশৈ কাঙলূপ (অম্মিক) কী প্রসিদেন্ট ডা. হামোম নবনা থৌরম মপু, কে এম ব্লুমিং হায়ার সেকেন্দরি স্কুল খাঙবোক্কী ফাউন্দর চীয়ারমেন্ট কে ঐচ মেঞ্জোর মঙাংনা গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অসি দি এম কলেজ কেম্পসতা লৈবা দেব রিটরেচর সেন্টরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুরদা সি সি টি পুথোক্লিবা সুইজনেরিস কম্পানিনা চহী খুদিংগী পীবা সুইজনেরিস মাদর লেঙ্গোইজ এৱার্ড চহী অসিগী ওইনা মণিপুরী লোন চাওখৎনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌরিবা চনম হেমচন্দ্রদা লাম্থোক্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। এৱার্ড অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সাইটেসন অমসুং লেংয়ান ফি য়াওরি। এৱার্ড অসি ফংলিবা চনম হেমচন্দ্র উরিপোক তখেল্লম্বম লৈকায়দগীনি। মণিপুরী লোন্না ভারতকী ৮ শুবা সেদ্যুলদা চলহন্নবা ইহৌ চঙশিনখিবদা মহাক্না লৌখিবা থৌদাং অদুবু শিংথাবা ওইনা এৱার্ড অসি মঙোন্দা লাম্থোকখিবনি।

পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুর অমদি যূথ দিবলপমেন্ট পাইওনর ওর্গানাইজেসন অরাপ্তি হৈনিংমখোঙনা পুন্না শীন্দুনা মালেমগী মমালোনগী নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা অরাপ্তি হৈনিংমখোঙদা লাইব্রেরি ব্লোক অমসু হাংদোকখি। থৌরম অদুদা কৈরাও কেন্দ্রগী এম এল এ করাম থামর্জিৎকী লোয়নবী শন্দ্যারানীনা চীফ গেষ্ট, ফোরমগী প্রসিদেন্টনা রঘু লৈশাংথেমনা থৌরম মপু অমসুং উরুপ অরাপ্তী দিবলপমেন্ট কো–ওর্দিনেটিংগী প্রসিদেন্ট থোঙাম পরিজাৎ, লিলোং (থৌবাল) ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলার ৱাহেংবম মিনাকুমারী, দিপুটি প্রোটোকোন ওফিসার বন্টি কেম্থৌজম অমসুং আই আর ই গ্রূপ ওফ ইন্সটিট্যুসনগী প্রিন্সিপাল নারেংবম রঞ্জিৎকুমারনা ইকায়খুম্নবা মিথুং ওইনা শরুক য়াখি।

দিরেক্টোরেট ওফ লেঙ্গোইজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা শোইবম লৈকাই ৱাঙ্খে খুন্নৌদা লৈবা হেল্লি ইংলিস স্কুলদা মহৈরোইশিংগী এসে ইবা অমসুং দিবেটিং কম্পিটিসন পাঙথোকখি। ক্বালিটি এড়ুকেসন লেঙ্গোইজ ওফ ইন্সট্রক্সন এন্দ লার্নিং কম হায়বা ৱাখল্লোন্দা পাঙথোকয়িখবা থৌরম অদুগী মতাংদা দিরেক্টোরেট ওফ লেঙ্গেগাইজ এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন গভর্নমেন্ট ওফ মরিপুরগী দিরেক্টর কে ঐচ রঘুমনিনা হায় – ১৯৫২ বাংলাদেশকী মহৈরোইশিংনা মমালোনবু শক খঙবিনবা অমদি শীজিন্নবা খোঙজং চংশিনবদা মহৈরোই ৪ শীখি। থৌওং অদুদা য়ুনেস্কোনা মমালোনতনা মীওইবগী ইং চীকপা অমসুং চাউখৎপা পুরকপা ঙমগনি হায়বসিগী ৱাখল্লোন্দা ফেব্রুৱারি ২১ বু ইন্টরনেস্নেল মাদর লেঙ্গোইজ দে হায়দুনা ২০০2 দগী পাঙথোকপা হৌরকখি। মীপুম খুদিংমক মমা লোনগী মখাদা লাইরিক তম্বনা অফবা পুরক্কনি হায়বসি অখঙ–অহৈশিংনা য়ানখি। মণিপুরদসু দিরেক্টোরেট অসিনা মণিপুরী লোন চাউখৎনবা থৌরাং পায়খৎতুনা বোর্ড অমদি কাউন্সিলগী টেক্সবুকশিং মীতৈ ময়েক্তঃ ওন্থোকপগী থবক পায়খৎলি মখা তানা ওন্থোক্লবসু হোৎনরি হায়খি।

মসিগী মথক্তঃ লোং তার্ম ওইনা লিটরেরি গাইদ বুকশিং মৈতৈ ময়েক্তঃ ওন্থোকপা অমদি ফোঙনবা থৌরাং তৌরি। থৌরম অসিদা ওল মণিপুর রিকোকনাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী অমসুং দিরেক্টোরেট ওফ লেঙ্গোইজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসনগী জোইন্ট দিরেক্টর ডা. এল মহাবীরনা থৌরম মপু ওইখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা দিবেটিং কম্পিটিসন অমসুং এসেদা অথোই অহেন চাংদম্নবদা তোঙান–তোঙানবা ইম্ফালগী মহৈরোই ৩৮ না শরুক য়াখি।

অতোপ্পা অমদা ট্রাইবেল এন্দ ইনদেঞ্জর লেঙ্গোইজ প্রোমোসন বোর্ড অমসুং য়ুনেস্কো ক্লব অনীনা পুন্না শীন্দুনা প্রেস ক্লব, মেজোর খুল ইম্ফালদসু পালন থৌরম পাঙথোকখি।থৌরম অদুদা প্রো. সি ঐচ য়সৱন্ট, লেঙ্গোইষ্টিক দিপার্টমেন্ট হেদ মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা হায়খি–ঙসিগী নুমিৎ অসি য়াম্না শীংথানিঙাই,নীংশিংফম থোকপা নুমিৎ অমনি। হৌখিবা চহী১৯৪৭তা ভারতনা মনীং মখা তম্বদা ইন্দো– পাকিষ্টান হায়না খায়দোকখি। মদুগী তুংদা ১৯৪৮দা ৱেষ্ট বেঙ্গলবু ৱেষ্ট পাকিষ্টান ওল্লবা মতুং ৱেষ্ট বেঙ্গলনা ইষ্ট বেঙ্গলদা উর্দু অসি নেস্নেল লেঙ্গোইজ ওইনা চৎন্নবা হোৎনরকখি। মতম অদুদগী হৌজিক্লা বাঙগাদেশ হায়বসি মতমদুগী ইষ্ট বেঙ্গলদা লৈরিবশিংনা মখোয়গী মমালোন উর্দু নত্তে, বেঙ্গলিনি হায়দুনা মমালোন কনজনবা চংশিনখিবা ইহৌদা মহৈরোই ৪ লৈখিদে। ১৯৫২ দা মহৈরোই ৪ হূলৈখিদ্রবা মতুং ফারিকুল ইস্লাম কৌবা মীওই অমনা মমালোনগী মতাংদা য়ুনেস্কোদা পুথোক্লবা কানাদা চৎখি। য়ুনেস্কোনা মহাক্কী ৱাফম অদু লন্নাইনি হায়দুনা য়াদবদগী ফারিকুলনা বঙগাদেশতা চৎলগসু লেপ্পা লৈতনা য়ুনেস্কোদা তক্লবদগী ১৯৯৯ গী নবেম্বর ১৭ তা প্রপ্রোজ তৌখি। ২০০০ দগী ঙসি ফাওবা নুমিৎ অসিবু মালেমগী মমালোনগী নুমিৎ হায়না পালন তৌখিবনি।

ফেব্রুৱারি ২৩, ২০১৬

তেকচম স্পোর্ট এন্দ কলচরেলগী ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা রোশন (মঙাল) তেকচম্না ইবা *শক্তমদুগী মমি* হায়না মিংথোনবা ৱারী মচাগী লাইরিক ওর্গনাইজেসন অসিগী গ্রাউন্দা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোঙখ্রে। লাইরিক অসি রিন্দা পব্লিকেসন্সকী বেন্নর মখাদা ফোঙবনি।

লাইরিক অসি বাংলা অমদি মৈতৈ ময়েক অনীমক্তঃ তোঙান– তোঙানবা ফোঙবনি। লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা ডা. নাউরেল শন্নাতোম্বা, এসিষ্টেন প্রো. মণিপুর য়ুনিভর্সিটি মণিপুরী দিপার্টমেন্টনা চীফ গেষ্ট, এল চাউবা , ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিদেন্টনা থৌরম মপু ওইখি। ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী রাজেন খুমননা লাইরিক অসিগী মরমদা ৱা ঙাংখি।